## ‘লৈঙাকপু থাগৎলক্লি’

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৭(ঐচ এন এস):
সি এ এফ এন্দ পি ডি মিনিষ্টর করাম শ্যাম অমসুং ইম্ফাল ইষ্ট ডিষ্ট্রিক্টকী ডি সি চিত্রনা লুচিংদুনা থা অসিগী ২৪ দা কোন্থা অহল্লুপতা জে সি বি শিজিন্নদুনা লৌফম মাংহন্নবা হোৎনরম্বা থৌওংবু লেপহন্দুনা অমসুং ফাগৎতুনা থিংবগী থৌওং অমা চঙশিন দুনা কঞ্জর্ভেসন ওফ পেদি লেন্দ এন্দ ৱেট লেন্দ এক্ট, ২০১৪ বু থবক্তা ওন্থোকপা হৌখিবা খোঙথাংবু লৌমী-শিন্মী অপূনবা লুপ মণিপুর (লৌসাল) না থাগৎপা ফোঙদোরক্লি। মখা তানা হোৎনবিদুনা মাঙশিল্লক্লবা লৌফমশিংসু কনবীনবা লৌসালগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি কে ঐচ রোনেক্স খাবানা থোকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

## কঞ্জুমর ক্লবনসু তেংবাংগনি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৭(ঐচ এন এস):
য়াওশং কুম্হৈগা ইরোইননা কৈথেল মনুংগী লম্বী চৎফমশিংদা পোৎ থমজিন্দুনা য়োল্লিবশিং অসি সিটি পুলিস, ট্রাফিক পুলিস অমসুং ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলনা থবক লৌখৎপীদুনা পোৎচৈ লৈবা লাক্লিবা মীয়াম্না খুদোংচাদবা থোকহনবীগনু হায়না কঞ্জুমর ক্লবনা ফোঙদোরক্লি।

কঞ্জুমর ক্লবনা থা অসিগী ২৮ দগী হৌদুনা কৈথেলদা পোৎচৈ লৈবা লাক্লিবা মীয়ামদা মতেং পাংগনি হায়রি। য়াওশং কুম্হৈদা অরেম্বদা শেল মাঙহনবীগনু লোয়ননা হরাও-কুম্হৈগী মিংদা দুকান ফল্লিবশিংনা মীয়াম্বু নমথাক তৌদুনা অহেনবা মমলদা পোৎচৈশিং য়োনবীগনু। মীয়াম্নসু পোৎ লৈবদা লৈগদৌরিবা পোৎ অদুগা মমলগা চান্নব্রা নত্রগা চান্নদ্রবা হায়বদু য়েংবিয়ু হায়রি। মতমগা চুন্দ্রবা অরিবা পোৎলমশিং অকৈ-অমৌগী পোৎলমশিংদা হকচাং শোক্লিংঙাই ওইবা য়াবা পোৎলমশিং য়োনবিগনু। ৱেথ এন্দ মিজর ডিপার্টমেন্টনসু চেকশিন থৌরাং লৌখৎপীয়ু। ফুদ সেফটি ওথোরিটিনসু কৈথেলদা য়োল্লিবা পোৎলমশিং মাংজৌননা চেকশিন থৌরাং লৌখৎতুনা য়েংশিনবীয়ু। পুলিস ডিপার্টমেন্টনসু ময়াই কাবা চিঙাকশিং য়োলহন্দনবা অমদি ফংহন্দবা হোৎনবিয়ু হায়না ফোঙদোরক্লি।

## ‘মতম মাংহনগুমসি’

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৭(ঐচ এন এস):
য়াওশং নুমিৎ মঙানি চুপ্পা পাঙথোক্তুনা পুন্নমক পেরলাইজ ওইহনবা হায়বসি খুন্নাই অসি মনিং হনবনি হায়না রুমেন এসোসিএসন ফোর সোসিও ইকোনোমিক ডিভলপমেন্টনা ফোঙদোরক্লি।

য়াওশঙ নুমিৎ ৫ নি চুপ্পা হরাও-কুম্হৈদা তাওদুনা লৈথোকপা হায়বসি খুন্নাই অসিগী শেন্মীৎলোন্দা চাওনা শোকহল্লি। অমরোমদনা নুপীগী মায়োক্তা চথবা ক্রাইম মশিং হেন্না থোরক্লিবা মতম অসিদা পাখঙ লৈশাবীশিংনা য়াওশংগী মিংদা তৌবতা তৌবগী থৌওং অসি তৌবীদনবা ৱাফমসু ফোঙদোরক্লি। থাবল চোংবদা নেসনল হায়ৱে অমদি মরু ওইবা লম্বীশিং থৎজিন্দুনা চোংবীগনু অমদি মরী লৈনবা ওথোরিটি নত্রগা ডি সিশিংনা লম্বী চৎতুনা থাবল চোংবগী পার্মিট পীবিগনু হায়না ফোঙদোরক্লি।

## অৱাবা ফোঙদোকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৭(ঐচ এন এস):
কংলৈপাক হিষ্টোরিকেল এন্দ কলচরেল রিসর্ছ সেন্টরগী ভাইস প্রসিডেন্ট ওইরম্বা ৱাহেংবম ইবোয়াইবা লুৱাংনা থা অসিগী ২১ দা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোকপগী মীফম অমা পাঙথোক্তুনা সেন্টর অসিগী মরুপলোইশিংনা মিনিট অনি তুমীন্না লেপ্পুনা ইকাই খুন্নবা উৎখ্রে হায়রি।

## এ সি ডি ওগী মেম্বর হাপচিনখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৭(ঐচ এন এস):
মোরে ৱার্দ নম্বর ৭ কী হৈনৌ মখোং মখা লৈকাইদা লৈবা ওল কম্যুনিটি ডিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন (এ সি ডি ও) মোরেগী ওফিসতা ঙসি অয়ুক মীফম অমা পাঙথোক্তুনা ওর্গনাইজেসন অসিগী অনৌবা মেম্বর ৭ হাপচিন্দুনা চাওথোকখ্রে।

মীফম অদুদা এ সি ডি ওগী প্রসিডেন্ট আর কে সনায়াইমনা প্রিসাইদ তৌদুনা অনৌবা মেম্বরশিংবু ওকপা অমসুং ৱাশক লৌবগী থৌরম অমা চাকলেন অমগা লোয়ননা পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা আর কে সনায়াইমনা হায়খি, এ সি ডি ও মোরে অসি কম্যুনিটি অমখক্কী নত্তে। নুংশিনবনা চাওখৎপা, ঈং-তপ্পা লৈবাক অমা ওইহনবা হায়বদু ঙম্মী। অনৌবা মেম্বরশিং অদুদি- মোরে ৱার্দ নম্বর ৭ গী পাওথাং বাইতৈ, সৈথোং হাওকিপ, কে ঐচ গৈজাধোন, কে রোসন মৈতৈ অমসুং মোরে ৱার্দ নম্বর ৫ গী এম দি অয়ুক খান অমসুং এম ডি ইবোমচা লোয়ননা এল বেলে (রোসন) নি হায়রি।

# সি এ য়ুদা নুমিৎ নিনি চুপ্পা চখগদবা বী কিপিংগী ষ্টেট লেভেল সেমিনার হৌদোকখ্রে




ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৭(ঐচ এন এস):
নেসনল বী বোর্দকী মীৎয়েং মখাদা, অর্য্যা গ্রাম উদ্যোগ সংস্থান অমসুং সেন্ট্রেল এগ্রিকলচরেল য়ুনিভর্সিটি, ইম্ফাল অনীনা পুন্না শিন্দুনা ‘এৱ্যেরনেস, মোটিভেসন এন্দ টেক্নোলোজি ট্রান্সফর ফোর ডিভলপমেন্ট ওফ বী কিপ্পীং ইন মণিপুর’ হায়বা হীরমসিদা নুমিৎ নিনি চখগদবা ষ্টেট লেভেল সেমিনার অমা ঙসি কোলেজ ওফ এগ্রিকলচর সি এ য়ু ইম্ফালগী ওডিটোরিয়মদা হৌদোকখ্রে।

হৌদোকপগী থৌরম অদুদা প্রো: এম প্রেমজিৎ, ভাইস চাঞ্চেল্লর সি এ য়ু ইম্ফালনা চীফ গেষ্ট, প্রো: জে এম লাইশ্রম দিন, কোলেজ ওফ এগ্রিকলচর, সি এ য়ু ইম্ফালনা প্রসিডেন্ট অমসুং কে কিপগেন, ডিরেক্টর ডিপার্টমেন্ট ওফ হোর্টিকলচর এন্দ সোইল কঞ্জর্ভেসন গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুর অমসুং ডা: বি এল সরাস্বাট এগজিক্যুটিব ডিরেক্টর, এন বি বি, ন্যু দিল্লি অনীনা গেষ্ট ওফ ওর্নরশিং ওইদুনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখিবা প্রো: প্রেমজিৎনা হায়খিবদা মণিপুরদা খোই য়োকপগী থবক পায়খত্তুনা ইনকম লাইনা তানবা য়াই। লমদম অসিদা হনি মিসন রেভোলুসন তৌদুনা হনি মিসন অমা লৈহন্নবা হোৎনসি। তোপ্পা ষ্টেটতা হনিম মিসন লৈবা ঙল্লগা শুবা নোম্বা কনবা ফার্মরস ময়াম লৈরিবা মণিপুরদনা কৈদৌবগী হনি মিসন লৈবা ঙল্লোইদৌরিবনো।

মহাক্না মখা তাখিবদা লমদম অসিদা ফৌ লোকখ্রবা মতুংদা য়াল্লবা লম কয়া মাংহন্দুন থল্লি। মসি হঙ্গাম হুনজিন্দুনা অহেনবা ইনকম তান্নবা হোৎনগদবনি। লৌ পরি অমা হঙ্গাম হুনবদা খোই উপু ৪ থমদুনা ওপন পোলিনেসন তৌদুনা চাদা ১৬/২০ হঙ্গামগী চাথোক হেনগৎহল্লি। মসিদা নত্তনা খোই থল্লিবা হঙ্গাম অদুগী মরু অদু থাও ওইনা শুংবদা চাদা ৪ গী চাংদা হেনগৎপা ঙম্মী হায়খি। লোয়ননা মসিদগী য়াল্লবা খোইহি ফংবা ঙম্মী। হঙ্গাম থাবা মরক্তা খোই উপু থমদুনা লোকপা খোইহি অসি কেমিকেল ফ্রি ওই। মরমদি খোই শীখিনি হায়দুনা তিলহাৎ হীদাক্লচিংবা অমতা শীজিন্নদে। অসিগুম্বা কেমিকেল ফ্রি ওইবা খোইহি অসি য়াম্না ডিমান্দ লৈবা মরম্না ঐখোয়না তাংনা য়োন দুনা ইনকম হেনগৎহনবা ঙম্মী হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

মহাক্না হায়, মণিপুরদা খোই লোকপগী থবক অসি চৎথনবগীদমক মফম মফমশিংদা এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম অমসুং ট্রেনিং পীবা মথৌ তাই। মসি সাইনটষ্ট খক্তনা ঙল্লোই, লমদম অসিগী খোই য়োকপগী মরমদা খঙ- হৈরবশিং অসিগা পূন্না চঙমীন্নদুনা এৱ্যেরনেস পীমীন্নসি। মমাংদা খোই উপু পীবা ঙল্লমদবা অদু হৌজিক্তি ঙম্নবা হোৎনরি। উপু পীরগা খোই য়োকপা হৈতবদগী অরেম্বদা মাংদুনা লৈবা থেংনৈ। মসি থোক্তনবা খোই উপু লৌবা লাকপদা ট্রেনিং পীদুনা খোইগা লোইননা উপুশিং পীরগনি। অদুনা খোই য়োকপীনিংবশিংনা পুন্সিন্দুনা মণিপুরদা খোই য়োকপগী ইহৌ শাগৎমীন্নসি। মসিদগী ঐখোয়না দবল ইনকম ফংনবা হোৎনমীন্নসি হায়নসু মখা তাখি।

থৌরম অদুদা প্রসিডেন্ট ওইনা শরুক য়াখিবা প্রো: জে এম লাইশ্রমনা ফোঙদোকখিবদা লাক্কদৌরিবা চহি ২০২২ ফাওবদা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ফার্মরসশিংগী ইনকম দবল্লিং ওইহনগদবনি হায়বা পান্দম অসিদা লৈবাক অসিদা পাইখৎনরিবা লৌউ পথাপশিংগী মনুংদা খোই য়োকপগী থবক অসিসু য়াওরগদি হেন্না মপুংফাগনি হায়খি।

মহাক্না হায় খোইনা ঐখোয়দা মখল কয়াগী কান্নবা পীরিবনি। মখোয়না হোর্টিকলচরগী পান্বীশিং অসি পোল্লিনেসন তৌহন্দুনা চাথোক হেনগৎহল্লি।। মখোই লৈত্রবদি পোল্লিনেসন তৌররোই। মসিনা মহৈ য়ানবদা অমদি চারা পুথোকপদা অৱাবা অমা ওইগনি। মসিগী মহৈনা ক্লাইমেটতা অহোংবা লাক্তুনা হিংবদা খুদোংচাদবা অমা মায়োক্লগনি হায়খি।

অদুনা মীয়ামদা খোই য়োকপগী কান্নবশিং ফংহনবদা পাঙথোক্লিবা নুমীৎ নিনিগী সেমিনার অসিনা চাওনা কান্নবা পীগনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদাা প্রো: এম কে গুপ্তা, পি আই ইনি টগ্রেটেদ বী কিপ্পিং ডিভলপমেন্ট সেন্টর সি এ য়ু ইম্ফাল, প্রো: সি এ সমিনি ভাসা মুর্থি, ডিরেক্টর ওফ রিসর্ছ সি এ য়ু ইম্ফাল, প্রো: আর কে সারা, ডিরেক্টর ওফ এক্সটেন্সন এডুকেসন, সি এ য়ু ইম্ফাল, প্রো: কে এম, রেজিষ্টার সি এ য়ু ইম্ফাল অমসুং বীকিপিংগী ফার্মরস কয়সু শরুক য়াখি।

# লৌউ-শিংউগী পোখোকশিং হেনগৎহন্নবগী পান্দমদা সি এ ডি ডিনা হোৎনরি




ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৭(ঐচ এন এস):
ইথৈ-লৌখোংবু মতিক চানা শিজিন্নদুনা ডিপার্টমেন্ট অসিগী প্রোজেক্টশিংনা কোল্লিবশিংদা লৌউ-শিংউগী পোখোকশিং হেনগৎহনবা হায়বসিনা খ্বাইদগী মরু ওইবা থৌদাংনি হায়না কম্মন্দ এরিয়া ডিভলপমেন্ট ডিপার্টমেন্ট (সি এ ডি ডি) গী এডিস্নেল চীফ ইঞ্জিনিয়র শুরেস নিংঙোম্বমনা ডি আই পি আরনা শিন্দুনা পরিং নাইনা চখরকপা মণিপুর গভর্ণমেন্টগী ডিপার্টমেন্টশিংগী চাওখৎ-থৌরাংশিং মীয়ামদা খঙহন্নবা পাঙথোক্লিবা প্রেস কনফরেন্সতা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

মোইরাংখোমদা লৈবা ডি আই পি আরগী কমপ্লেক্সতা পাঙথোকপা প্রেস কনফরেন্সকী নুমিৎ হুম্নি চনবা নুমিৎকী অহানবা সেসনদা সি এ ডি ডিগী এডিস্নেল চীফ ইঞ্জিনিয়র সুরেস নিঙোম্বমনা মখা তানা হায়খি। ডিপার্টমেন্ট অসিনা হৌজিক চখরিবা প্রোজেক্ট ৫ দা কম্মন্দ এরিয়া ডিভলপমেন্ট এন্দ ৱাটর মেনেজমেন্ট প্রোগ্রামশিং পায়খৎলি। মসিগী মনুংদা ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং চুড়া-চান্দপুরদা প্রোজেক্টকী কলচরেবল কম্মান্দ এরিয়া (সি সি এ) হেক্টর ৯৬৪৩ পাক-চাওবগী মনুংদা হেক্টর ১৪৪৮, এম আই স্কিমগী ক্লষ্টর ২১৩, থৌবাল, উখ্রুল অমদি চান্দেল ডিষ্ট্রিক্তা প্রোজেক্টকী সি সি এ হেক্টর ৯০৪৩ পাক-চাওবগী মনুংদা হেক্টর ১১১৮, এম আই ২১৫ অমসুং বিষ্ণুপুর, তমেংলোং অমদি সেনাপতি ডিষ্ট্রিক্তা প্রোজেক্টকী কলচরেবল কম্মান্দ এরিয়া ওইরিবা হেক্টর ৮৮৮৯ পাক-চাওবগী মনুংদা হেক্টর ১০৮৭ মায়-পাক্লা পায়খৎখ্রবা ১৬৯ এম আই য়াওই। থৌবাল মল্টিপর্পোজ প্রোজেক্ট ফেজ থ্রিগী হেক্টর ১৬৫৩৬ অমদি দোলাইথাবী বরাজ প্রোজেক্টকী হেক্টর ৫৫০০ পাক-চাওবা সি সি এ প্রোগ্রাম অনি অসি হন্দক্কী শেনবা চহি অসিদগী পায়খৎপা হৌরগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

প্রোজেক্টকী কম্মান্দ এরিয়াদা ইথৈ- লৌখোং য়েংশিন্নবগীদমক্তা লৌমীশিংসু শরুক য়াহন্দুনা ৱাটর য়ুজর এসোসিএসন শেম্লে। মহাক্না মখা তানা হায়খি, ইন্দিয়া গভর্ণমেন টকী মিনিষ্ট্রি ওফ টেক্সটাইলগী অনৌবা স্কিম অসি জিও টেক্সটাইলগী পোৎলমশিং অসি শিজিন্নদুনা পুখ্রিগুম্বা ঈশিং য়োক্তুনা থম্বা মফম অসিদা মতিক চানা শিজিন্নবগীদমক্তা পায়খৎপনি অমদি মসিনা ঈশিং ফজনা য়োকপা ঙমহনবগা লোয়ননা থংননা লৈবা লৌফমশিংনা পম্পশিং শিজিন্নদুনা ঈকং থোকপা মতমদা ঈশিং পীবদা মতেং পাংবা ঙমহল্লগনি। ঈশিং মরম শেমগৎপা য়াওনা পুখ্রিগুম্বদা ঈশিং য়োক্তুনা থম্নবা মফম ৬ শেমগৎনগীদমক লুপা লাক্ষ ২৭৮.৪৩ খাক্তুনা থল্লে হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

প্রেস কনফরেন্স অদুদা একজ্যুকেটিভ এঞ্জিনিয়র ডিভিজন ৱান পি রামু, একজ্যুকেটিভ এঞ্জিনিয়র ডিভিজন ২ ও টিকেন অমসুং একজ্যুকেটিভ এঞ্জিনিয়র ডিভিজন ৩ লোকেন্দ্রোসু শরুক য়াখি।

কম্মান্দ এরিয়া ডিভলপমেন্ট ওথোরিটি অসি কম্মান্দ এরিয়া ডিভলপমেন্ট ডিপার্টমেন্ট হায়না মমিং ওনখ্রে। ডিপার্টমেন্ট ওফ কম্মান্দ এরিয়া ডিভলপমেন্ট, মণিপুর অসি কুমজা ১৯৮২-৮৩ দা হৌদোক-খিবদগী সেন্টরনা স্পোন্সর তৌবা কম্মান্দ এরিয়া ডিভলপমেন্ট এন্দ ৱাটর মেনেজমেন্ট স্কিমশিং পায়খৎতুনা লাক্লি।

# মন্দলে অমসুং অৱাং-নোংপোক্কী কম্পেনিশিংগা এম ও য়ু সাইন তৌখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৭:
ইন্দিয়াগী অৱাং-নোংপোক লমদমগা ম্যান্মারগা ললোন ইতিক্কী মরী ফগৎহনগদবা খোঙথাং অমদা হৌখিবা ফেব্রুৱারি ২৪ দা মন্দলে রিজন চেম্বর ওফ কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রি (এম আর সি সি আই) না অৱাং-নোংপোক লমদমগী বিজনেসকী মীওইশিংগা উনদুনা লমদম অনিগী মরক্তা ললোন ইতিক তৌনবগী মতাংদা খন্নখ্রে। মন্দালে অমসুং অৱাং-নোংপোক লমদমগী কম্পেনিশিংগী মরক্তা কোওপরেসন পীননবা মেমোরেন্দম ওফ অন্দর্ষ্টেনিদং (এম ওয়ু) অমসু সাইন তৌনখি। ইন্দিয়াগী কোন্সল জেনরেল নন্দা ভাইসোরানা ফোঙদোকখি মদুদি, নাকল অনিগী মরক্তা মীফমদু পাঙথোকখিবগী মরমদি ইন্দিয়াগী অৱাং-নোংপোক লমদমদা পোৎচৈ পুথোকপা নত্রগা শাবা হেনগৎহনবা অমসুং লৈবাক অনিগী মরক্তা বোর্দরগী ললোন ইতিক চাওখৎহনবনি। ইন্দিয়াগী পোত্থোকশিং ম্যান্মারগী অপান্বশিংগসু চানৈ হায়না মহাক্না মখা তাখি।

ঐখোয়না হেন্দলুম অমসুং ফীশা-লোনশাগী বিজনেস, হেন্দিক্রাফটসকী বিজনেস অমসুং হৈ-রা, মরু মরাং, মোরোক, মনা-মশিংগী পান্বীশিং অমসুং ৱাদগী খুৎনা শাবা পোৎশকশিংগী ললোন ইতিক্কী মতাংদসু খন্নখি। ঐখোয়গী লৈবাক অনিগী মরক্তা কান্নবা কয়া লৈবনা ঐখোয়না পোত্থোকশিং অসিবু পুথোকপা অমসুং লৈবা য়োনবগী থবকশিং ফগৎহন্নবা হোৎনরক্লিবনি হায়না ইন্দিয়ন কোন্সল জেনরেলনা হায়খি।

মণিপুর, অসাম, অরুনচল প্রদেশ, নাগালেন্দ অমসুং মিজোরামগুম্বা অৱাং-নোংপোক ইন্দিয়াগী ষ্টেটশিংগী বিজনেস কাংবুশিংনা মন্দালেদা মখোয়গী পোত্থোকশিং উৎখি অমসুং মফমদুগী ললোন ইতিক্কী মীওইশিংগা বিজনেস চাওখৎহন্নবা খন্ন নৈনখি।

ইন্দিয়াগী বিজনেসশিং চাওখৎহনবদা মন্দালেনা মরু ওইবা থৌদাং লৌরি। লালেন ইতিক্কী লমদা ঐখোয়না ইন্দিয়াগা কোওপরেসন পীনবা পামই। মসিনা লোকল বিজনেসশিংদা কান্নবা ফঙহন্দুনা মখোয়গী মার্কেটশিং হেন্না পাকথোক চাওথোকহনগনি অমসুং মখল শুহল্লক্কনি। শেল-থুমগী থবক থৌরমশিং চাওখৎহনবদা প্রাইবেট সেক্টর চাওখৎহনবা চংই হায়না এম আর সি সি আইগী নৌনা খনবা ভাইস চেয়র য়ু ওং সান ৱিননা হায়খি।

ম্যান্মারদা লৈবা ইন্দিয়াগী অম্বেসেদর গৌতম মুকো পায়িরানা হায়খি মদুদি ইন্দিয়াগী অৱাং-নোংপোক লমদম হৌজিক চাওখৎলক্লি। অদুনা ম্যান্মারদা নত্তনা লমদম অসিনা লাওস, থাইলেন্দ অমসুং ভিয়েটনামগসু ললোন ইতিক তৌনগনি। তৌগুম্বসুং ইন্দিয়া-ম্যান্মারগী মরী থোইদোক্না চেৎলি। চাওখৎ থৌরাংশিং অমসুং ললোন ইতিক্কী লমদম কোওপরেসন পীনবগী মথক্তা নাকল অনিনা টুরিজম সেক্টর চাওখৎহনবসু য়াগনি।

# ‘য়াওশং মনুং নত্তনা থাবল চোংবা, ঈশৈ, লীলানচিংবা তৌবা থিংলে’

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৭(ঐচ এন এস):
চহি অমগী মনুংদা অমুক্তং লাকপা য়াওশং নুমিৎ ৫ অমসুং চৈরাওবা অনিরক অসি নত্তনা অতোপ্পা নুমিৎশিংদা থাবল চোংবা, ঈশৈ, অমসুং লীলানচিংবা মখল অমত্তগী হরাও-কুম্হৈ পাঙথোকপা য়ারোই হায়না ডি প্রোটেক্সন এন্দ প্রিজর্বেসন কম্মিটি মণিপুর (পি পি সি এম) না ফোঙদোরক্লি।

ৱাহেংবম লৈকাইদা লৈবা পি পি সি এমগী ওফিসতা ঙসি পাউমীশিংগা উন্নবদা কম্মিটি অসিগী এডভাইজর মাইবম পুর্ণিমাসিনা হায়খি, য়াওশং মনুংদা থাবল চোংগদৌরিবা, শিল্লি-লাংলিবা, চোংবা য়াওগদৌরিবা অমদি বেন্দ পার্টিশিংনা মমাংঙৈ ইপা-ইপুশিংগী মতমদগী চৎনরক্লবা নাৎকী ওইবা ফিজেৎ লৈতেংনা চোংবিয়ু। বেন্দ পার্টিকী ইন্সট্রুমেন্টতা অনৌবা মখলগী দি জেনচিংবা ইন্সট্রুমেন্টশিং য়াওবা য়ারোই। নহাশিংনসু অবের তৈবগী মীংদা ফৎতবা ঈশিং হৈজিনবগী চৎনবী তৌবা য়ারোই, মসি লৈকাই-লৈকাইগী ক্লব, মৈরা পায়বীশিংনা থৌদাং লৌগদবনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

থাবল চোংবা, ঈশৈ, লীলানচিংবা হরাও-কুম্হৈশিং য়াওশং নুমিৎ মঙানি অমসুং চৈরাওবা অনিরক অসি নত্তনা অতোপ্পা নুমিৎতা পাঙথোকপা য়ারোই হায়না ফোঙদোরক্লি। ক্লাস টেন অমসুং টুয়েল্বকী এগজাম থারিবা মহৈরোইশিংগী খল্লগা ৱাফম অসি ফোঙদোকপনি। ৱাফম কয়া অসিগী ৱাংমদা তৌরক্লবদি লৈকাই লৈকাইগী ক্লব অমদি মৈরা পায়বীশিংদা কম্মিটি অসিনা এক্সন লৌগনি হায়বা অকনবা ৱাফমসু থল্লক্লি। লোয়ননা কুম্হৈ অসিবু ফজবা মওং ওইহনবনা ক্লব, মৈরা পায়বীশিংনা মতেং পাঙবীয়ু হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা নেতজি মেমোরিয়েল ক্লব খুরাই কোংপাল তিনশিৎ রোডনা য়াওশং কুম্হৈ নুমিৎ ৩ দা তেনশিনবগী ৱাফম শৌগৎকনি হায়না ফোঙদোরক্লি। নেতজি মেমোরিয়েল ক্লবকী সেক্রেটরি কে ঐচ সরতচন্দ্রনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, খুন্নাই অসি হরাও-কুম্হৈনা মকোন শারবা খুন্নাই অমা ওইরক্লবনি। মালেমগী লৈরিবা হরাও-কুম্হৈ খুদিংমক লমদমসিগী কুম্হৈগুম্না পাঙথোক্লিংবা মওংদা পাঙথোক্লি। য়াওশং কুম্হৈশু নুমিৎ মঙানি পাঙথোক্তুনা অরেম্বদা শেল কয়া চাদিং তৌরি। অদুবু ঙসিদি য়াওশং কুম্হৈ অসি নুমিৎ হুম্নিদগী হেন্না তৌদনবা লৈবাক্কী ওইবা ৱাফম ওইনা ফিরেপ লৌরক্লিবসিদা নেতজি মেমোরিয়েল ক্লব, য়ুথ সেন্টর খুরাই কোংপালনা অচুম্বা লৈবাক্কী ওইবা খোঙথাং অমা ওইবনা শৌগৎকনি হায়রি।

# ককচিং বটালিয়ন্না শিন্দুনা খা মণিপুর কোলেজদা মোটিভেসন লেকচর পাঙথোকখ্রে




ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৭:
হেড ক্বাটর ইন্সপেক্টর জেনরেল ওফ অসাম রাইফলস (সাউথ) কী মীৎয়েং মখাদা ২৮ সেক্টর অসাম রাইফলসকী ককচিং বটালিয়ন্না শিন্দুনা জোইন ইন্দিয়ান আর্মি এন্দ অসাম রাইফলস হায়বা টোপিক অসিদা নহাশিংগী মোটিভেস্লেন লেকচর অমা খা মণিপুর কোলেজ ককচিংদা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

লেকচর প্রোগ্রাম অদুদা মহৈরোই ১০০ রোম্না শরুক য়াখি অমসুং আর্মদ ফোর্সেসনা পীরিবা তোঙান-তোঙানবা সার্ভিস অদুগী মচা খাইবা ৱারোল কয়া খঙহন্দুনা ৱাখল তাহনখি। থৱায় য়াওবা নহাশিংনা তোঙান তোঙানবা মওংদা থবক ফংননবগী লম্বী কয়া অদু খঙহনখি। সেক্যুরিটি ফোর্সশিংদা নহাশিংনা খল্লম্বা ৱাখল্লোন অদু হোংহন্নবগী পান্দমদা থৌরম অসি পাঙথোকপনি। ককচিং বটালিয়ন্না পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিং অদুবু কেলেজ অসিগী প্রিন্সিপাল, ষ্টাফ অমদি মহৈরোইশিংনা থাগৎপা ফোঙদোকখি অমসুং খুন্নাই অসিবু চাওখৎ খোঙজংদা পুরক্লবা থবক থৌরমশিং ককচিং বটালিয়ন্না পায়খৎলকপদা শৌগৎপগা লোয়ননা মতেং পাংগনি হায়না থাজবা পীখি হায়না হেড ক্বাটর আই জি এ আর (সাউথ) কী পি আর ওনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

## ডিজাষ্টর মেনেজমেন্টকী ট্রেনিং পাঙথোকখ্রে

থৌবাল, ফেব্রুৱারী ২৬(ঐচ এন এস):
থৌবাল অপূনবা লূপ (টি এ এল) গা রিলিফ এন্দ ডিজাষ্টর মেনেজমেন্ট ডিপার্টমেন্ট গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরগা পূন্না শিন্দুনা থৌবাল অচৌবা কম্যুনিটি হোলদা ডিজাষ্টর মেনেজমেন্টকী মতাংদা থৌবাল, ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্টতা নুমিৎ হুম্নি চুপ্পা চখগদবা ট্রেনিং প্রোগ্রাম থৌবালগী ওইনা ঙরাং হৌদোকখ্রে।

থৌরম অদুদা এস এ আইগী হান্নগী এসিষ্টেন্ট ডিরেক্টর কোন্সম মাইকেল, ডিরেক্টোরেট ওফ সিভিল ডিফেন্সকী ষ্টাফ ওফিসর এ সি টি এ সুবাসচন্দ্র অমসুং থৌবাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল ৱার্দ নম্বর ৮ কী কাউন্সিল্লর ৱাইখোম সনাথোইনা প্রসিডিয়ম মেম্বরশিং ওইখি। রিলিফ এন্দ ডিজাষ্টর মেনেজমেন্ট ডিপার্টমেন টকী ট্রেনিং কো-ওর্দিনেটর পি ঐচ হেমোলতা ষ্টেট ডিজাষ্টর রেস্পোন্স ফোর্স (এস ডি আর এফ) কী ষ্টাফশিং এন নিলানি, দল্লিয়ু প্রমেশ্বরি, ও বেদাম অমসুং রিলিফ এন্দ ডিজাষ্টর মেনেজমেন্ট ডিপার্টমেন টকী ষ্টাফশিং কেনি কৈসাম অমসুং টি ঐচ রোসন্না রেসোর্ছ পার্সনশিং ওইনা শরুক য়াখি হায়রি।

# য়াওশং মনুংদা ইম্ফাল ৱেষ্ট ডিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা গাড়ি থৌবশিংগী স্পেসিয়ল দ্রাইভ চখগনি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৭(ঐচ এন এস):
চহি অসিগী য়াওশং কুম্হৈ মনুংদা এক্সিডেন্ট থোকপগী চাং হন্থহন্নবগী পান্দমদা চঙশিল্লকপা ইম্ফাল ৱেষ্ট ডিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী চেকশিন- থৌরাংগী শরুক অমা ওইনা মার্চ ২ দগী ৬ ফাওবা স্পিসিয়েল দ্রাইভ চখগনি হায়না ইম্ফাল ৱেষ্ট ডিষ্ট্রিক্টকী এস পি থেনথিং ঙসাংবা আই পি এসনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

হায়রিবা নুমিৎশিং অসিদা স্পেসিয়েল দ্রাইভ ডিষ্ট্রিক্ট অসিগী পুলিস পার্সোনেল খুদিংমক্না চখবগা লোয়ননা চৎন-কাঙলোনগী ৱাংমদা গাড়ি থৌবশিং ফাগৎতুনা চৈরাক অমসুং ফাইননচিংবা থিহনগদৌরি। লাক্লিবা মার্চ ২ দগী ৬ ফাওবগী মনুংদা দ্রাইভিং লাইসেন্স য়াওদনা গাড়ি থৌবা থেংনরবদি মীওই অদু থা ৩ জেলদা থম্বা নত্রগা লুপা ৫০০ ফাইন নত্রগা অনিমক চৈরাক ফংহনবা, চহি শুদ্রিবা অপীকপা অঙাংনা গাড়ি থৌরকপা থেংনরবদি থা ৩ জেলদা থম্বা নত্রগা লুপা ৫০০ ফাইন, নত্রগা অনিমক্কী চৈরাক ফংহনবা য়াই। অপীকপা অঙাংদা গাড়ি থৌহল্লকপা গাড়ি অদুগী মপু নত্রগা দ্রাইভিং লাইসেন্স য়াওদবা মীওই অমদা থৌহল্লকপা গাড়ি অদুগী মপুনা থা ৩ জেলদা থম্বা নত্রগা লুপা লিশিং ১ গী ফাইন নত্রগা অনিমক্কী চৈরাক ফংহনগনি। গাড়িগী রেজিষ্ট্রেসন সার্টিফিকেট য়াওদনা গাড়ি থৌরকপা থেংনরবদি লুপা লিশিং ২ দগী লুপা লিশিং ৫ ফাওবা ফাইন থিহনগনি। ইন্সুরেন্স সার্টিফিকেট য়াওদনা গাড়ি থৌরক্লবদি থা ৩ জেলদা থম্বা নত্রগা লুপা লিশিং ১ গী ফাইন নত্রগা অনিমক্কী চৈরাক ফংহনগনি। টু ৱিল্লর গাড়িদা মী ৩ তোংদুনা থৌরকপা থেংনরবদি লুপা ৩০০ ফাইন লৌগনি। রেজিষ্টার নম্বর য়াওদনা গাড়ি থৌরকপা তারবদি লুপা ৩০০ ফাইন লৌগনি। মীওই অমা য়ু নত্রগা দ্রগ চাশিল্লগা গাড়ি থৌরকপা নত্রগা য়ু ঙাওরগা গাড়ি থৌরকপা থেংনরবদি থা ৬ জেলদা থম্বা নত্রগা লুপা লিশিং ২ গী ফাইন নত্রগা অনিমক্কী চৈরাক ফংহনগনি। গাড়ি কন্না থৌবা থেংনরবদি অহানবা ওফেন্সতা লুপা ৪০০ গী ফাইন অমসুং অনিশুবা ওফেন্সতা লুপা ১০০০ ফাইন থিহনগনি।

কার, মারুটি জিপসি, মারুটি ভেন অমসুং বসনচিংবদা মী হেন্না তোংশিন্দুনা থৌরকপা থেংনরবদি লুপা ৩০০ গী ফাইন থিহনগনি। মীয়ামদা খুদোংথিনিঙাই ওইবা স্পিদতা গাড়ি থৌরকপা তারবদি থা ৬ জেলদা থম্বা নত্রগা লুপা লিশিং ১ ফাইন নত্রগা অনিমক্কী চৈরাক ফংহনগনি। হেলমেট উপ্তুনা গাড়ি মচা থৌরকপা অমসুং তোংলকপা থেংনরবদি ফাইন তৌবগা লোয়ননা রুলগী মতুং ইন্না চলান ককনি গাড়ি থৌবা মতমদা মোবাইল ফোন শিজিন্নবা থেংনরবদি থা ৬ ফাওবগী জেলদা থম্বগী চৈরাক নত্রগা লুপা ৪০০ গী ফাইন থিহনগনি। করিগুম্বা মমাংদা মসিগা মান্নবা ওফেন্স তৌখিবগা লোয়ননা জেলদা থমখিবা মীওই ওইরবদি চহি ২ জেলদা থম্বগী চৈরাক অমসুং ফাইন ওইনা লুপা ৬০০, ৮০০ অমসুং ১০০০ লৌগনি। অরোইবদা টিনটেদ ৱিন্দো গ্লাস (অমুবা গ্লাস) শিজিন্নবা গাড়িশিং সুপ্রিম কোর্টকী ডিরেক্টিভ মতুং ইন্না লুপা ৫০০ গী ফাইন অমসুং ফাজিন্দুনা থম্বগী চৈরাক ফংহনগনি হায়রি।

# ব্লদ ডোনেসন কেম্প পাঙথোকখ্রে

ককচিং, ফেব্রুৱারী ২৭(ঐচ এন এস):
নোংমগী ওইবা মেগা ভলন্টরি ব্লদ ডোনেসন কেম্প কম এৱ্যোরনেস প্রোগ্রাম অমা ঙরাং থৌবাল ডিষ্ট্রিক্টকী খাঙবোক পার্ট থ্রি মখা লৈকাইদা লৈবা পোপুলর য়ুথ ক্লবতা পাঙথোকখ্রে।

এসোসিএসন ওফ ভলন্টরি ব্লদ ডোর্নস মণিপুর থৌবাল ডিষ্ট্রিক্ট ব্রাঞ্চনা ইরমদমগী মপাও ৱাটসঅপ গ্রুপ, লাইয়ন্স ক্লব থৌবাল গ্রেটর সেনসুরিয়ান, রিমসকী ট্রান্সফ্যিজর মেডিসিন, ইম্ফাল ব্লদ বেঙ্ক অমসুং ট্রান্সফ্যিজর য়ুনিট পোরোম্পাৎ অমসুং এন ঐচ এ মণিপুর ষ্টেট ব্লদ বেঙ্ক সেলগা খুৎশম্নরগা পাঙথোকখিবা ব্লদ ডোনেসন কেম্প অদুদা মীওই ৮০ রোম্না ব্লদ ডোনেসন তৌখি।

ষ্টেট প্লেয়রস ডেগা মরী লৈননা গিভ ব্লদ টু অৱার মণিপুর ষ্টেট প্লেয়র ৱিদ খেলো ইন্দিয়া হায়বা পান্দমদা পাঙথোকখিবা মেগা ব্লদ ডোনেসন কেম্প অদুগা লোয়ননা এৱ্যোরনেস প্রোগ্রাম অমসু পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা খাঙবোক জিলা পরিষদকী মেম্বর কে ঐচ রাজমোহোন্না চীফ গেষ্ট, খাঙবোক পার্ট থ্রি জি পিগী প্রধান এম মংলেমজাওনা প্রসিডেন্ট অমসুং খাঙবোক পার্ট ৱান জি বিগী প্রধান এন মলা, খাঙবোক পার্ট টু জি পিগী প্রধান এস ওপেন্দ্রো অমদি এ ভি ডি বি এম থৌবাল ব্রাঞ্চকী প্রসিডেন্ট এল সনাতোম্বীনা গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

ট্রান্সফ্যুজন মেডিসিজিনগী স্পেসিয়েলিষ্ট ডা: ও গিতচন্দ্র, হেমাতোলোজিষ্ট ডা: সঞ্জয় অমদি এ ভি ডি বি এম থৌবাল ব্রাঞ্চকী সেক্রেটরি নবকুমারনা রিসোর্ছ পার্সনশিং ওইনা শরুক য়াখি হায়রি। থৌরম অদুদা ৱা ঙাংখিবশিংনা অতোপ্পা পোৎনা মহুৎশিনবা য়াদবা ঈ কনাগুম্বনা ডোনেসন তৌবদা মশাদা করিগুম্বা মখলগী অমাংবা অমত্তা লৈতে হায়না ফোঙদোকখি।

# মার্চ ২২ দগী সিজ ৱার্ক ষ্ট্রাইক চখরগনি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৭(ঐচ এন এস):
মণিপুর লৈঙাক্কী মখাদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা ডিপার্টমেন্টকী ইমপ্লোয়িশিংনা চহি অসিগী মার্চ ২১ ফাওবগী মনুংদা ৭ শুবা পে কম্মিসন চৎনহননবগী থবক পায়খৎত্রবদি থংনবা নুমিৎ মার্চ ২২ দগী ইনডিফিনিট সিজ ৱার্ক ষ্ট্রাইক চখরগনি হায়না জোইন্ট এডমিনিষ্ট্রেটিভ কাউন্সিল ওফ অমতুক এন্দ এ এম জি ই ও, মণিপুরগী প্রসিডেন্ট খাইদেম মনিনা ফোঙদোকখ্রে।

ইম্ফালগী বাবুপরাদা লৈবা জে এ সিগী ওফিসতা ঙরাং পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা প্রসিডেন্ট মনিনা হায়, মমাংদা পীরম্বদু হৌজিক পীবা য়াদ্রে হায়না চহি খুদিংগী হেনগৎলিবা পে অসি ইন্দিয়াগী ষ্টেটশিংদা লোইনা চৎনবা হৌখ্রে। নোর্থ ইষ্টকী ষ্টেটতসু মণিপুর খক ঙাইরবনি ৭ শুবা পে চৎনদ্রিবসি।

মহাক্না মখা তানা হায়, হৌখিবা চহি ২০১৭ গী ওক্টোবর থাদা ডিলিগেটশিংগা উন্নবদা থা ৩ ফাওবদং ঙাইবিয়ু হায়বগী মতুং ইন্না ঙাইদুনা লাকখিবনি। থা ৩ শুরবনিনা করি তৌবা চুম্বগে হায়বদু খন্নবদা চীফ সেক্রেটরিগা জানুৱারী হৌগৎলকপদা উনরে। শেম শাবা লোইরে হায়রকখি। মমাংদসু মখল কয়াগী খোঙজং, ব্লেক বেজ থেৎপা, থ্রি দেজ সিজ ৱার্ক ষ্ট্রাইক, প্রোটেষ্ট কয়া অমা তৌদুনা লাকখ্রে। মসি পুন্নমকসি খাংবা য়াবা খাংলবা মতুংদা কাউন্সিল অসিগী জেনরেল বোডি মীফম অমা ফল্লবা মতুংদা সিজ ৱার্ককী ৱারেপ অসি লৌবনি হায়খি।

ৱারেপ অসি মণিপুরদা লৈরিবা ৭ শুবা পেনা কোনশিল্লিবা ৱার্করশিংগী অপুনবা বোদি অমনা লাউথোকখ্রবনি। লৈরিবা ডিপার্টমেন্টশিংনসু মার্চ ২২ দগী হৌগদৌরিবা ষ্ট্রাইক অসিদা অমত্তা ওইবগী শক্তম অদু উৎমীন্নসি হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।